**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-08.2024)**

**নোং ঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুরগী মফম খরদা লাক্লিবা নোংমা নিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা খা ভারতকী মফম কয়াদা অকনবদগী য়ামা কনবা নোং চুগনি। চেরোল অদুনা হায়- অৱাং ভারত-হরিয়ানা অমসুং রাজস্থানগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি মরিনি অসিদা অকনবা নোং চুখিগনি। লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ওরিষ্যাগা মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং কন্না চুখিগনি।

অরুনাচল প্রদেশ, অসাম অমসুং মেঘালয়দনা থা অসিগী ১৯ ফাওবা অকনবা নোং চুখিগনি। নোংচুপ থংবা হিমালয়গী লমদমশিং, উত্তর প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ অমসুং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ ৬ নি অসিদা নোং কন্না চুখিগনি।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলস অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী লোইচিং চিংশাং পরেংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অদুনা ঙসি মফমদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা-সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এস.এল.আর. নোংমৈ অমা, নাইন এম.এমগী করবাইন মেচিনগন অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, শান্না কাপ্পা য়াবা পম্পী মোটার অমা, নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং মখা তানা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক মনিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**চিত্তরঞ্জন (এল)ঃ** আমর্দ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱার এক্ট লৌথোকউ হায়বা দাবী তৌদুনা ইং ২০০৪ দা লৈখিদ্রবা পেবম চিত্তরঞ্জনবু নীংশিংদুনা ঙসি বিষ্ণুপুরদা লৈবা মহাক্কী মীতমদা মীয়ামা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

থৌরম অদু মনিপুরি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ) না শিনবনি। হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা মতুংদা বিষ্ণুপুরগী কিয়াম্বা নীংশিং শঙলেনদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, মনিপুরি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ) জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা শিনদুনা চিত্তরঞ্জন লৈখিদবগী ২০ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি জিরিবামগী বাবুপারাদা পাঙথোকখ্রে।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী ইলেক্তোরেল রোল স্পিসিএল সমরি রিভিজনগা মরি লৈননা মীফম অমা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জিলা অসিগী ই.আর.ও, ইলেক্সন ওফিসিএলশিং, রাজনিতি দলগী মীহুৎশিং, বি.এল.ও. কয়ানা শরুক য়াখি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** ন্যু এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী মতুং ইন্না পেপর সেটিং অমদি ইভালুয়েসন তৌবগী টেকিকশিংগী মতাংদা নুমিৎ মঙানিগী ওহবা ৱার্কশোপ অমা থা অসিগী ১৯ দগী ২৩ ফাওবা দি.এম. কলেজ ওফ টিচরস এদুকেসনদা পাঙথোক্লগনি হায়না কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুনা হায়রি।

**নোনে (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা সেক্যুরিতিগা মরী লৈনবা মীফম অমা ঙসি নোনে জিলাগী হাউচোং কম্ম্যুনিতি সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা খুল ৮ লোমগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অদু হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা করমা শান্তি পুরকপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোকখিবনি।

**এআর (এল)ঃ** লৈবাক অসিগীদমক মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা মরিশুবা অসাম রাইফলসকী রাইফলমেন-কৃষ্ণকুমার সিংহ অমসুং রাইফলমেন-মেক বহাদুর ছেত্রিবু ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রাইফলমেন অনি অসি ইং ১৯৯৩ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা চাহোক ভিলেজতা মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোকবগী থৌদোক অমদা লৈখিদবনি। মখোয় অনিবু অসাম রাইফলসনা মন্ত্রি পুখ্রি অমদি চান্দেল জিলাগী সেলোনদা লৈবা ৱার মেমোরিএলদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**অতল** ঃ ভারত রতা অমসুং হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায় লৈখিদবগী কুমওন থৌরমদা লৈবাক অসি ঙসি লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লুচিংদুনা নিউ দিল্লিদা লৈবা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অসিগী সমাধি- সাদেব অতলদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর, লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, বি.জে.পি লুচিংবা জে.পি. নদ্দা, মন্ত্রিশিং, এম.পিশিংনা লুচিংবা অসিগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি।

মণিপুরদসু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায় লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখি। দলগী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবীনা লুচিংদুনা অতল বিহারি ভাজপায়গী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রালয়গী মখাদা প্রধান মন্ত্রি ফোরমেলাইজেসন ওফ মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রাইজেসগী মতাংদা

নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী এৱাৰনেস প্ৰোগ্ৰাম অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী এ.দি.সি. কনফৰেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**ককচিং (এল)ঃ** কেন্দ্ৰগী সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱাৰমেন্ট মন্ত্ৰালয়গী মখাদা খা মনিপুৰ যোগা এন্দ নেচৰ কিয়োৰ এসোসিয়েসন, ককচিংনা শিনদুনা থা অসিগী ১০ দগী চথুৰকপা নসা মুক্তা ভাৰত অভিয়ান ঙৰাং লোয়শিনখ্রে।

কেম্পেইন অসিগা মৰী লৈননা ৰেল্লি অমসু পাঙথোকখি হায়ৰি।

**অগুই (এল)ঃ** ওইল টেঙ্কৰগী দ্ৰাইভৰ অমা তমেংলোং জিলাগী সিভিলোং খুল ফাওদুনা চেনবা বৰাক তুৰেলদা ইৰাকবদগী হৌজিক থিবা খঙদনা লৈৰি । দ্ৰাইভৰ অদু কাংপোকপী জিলাগী চাৰ হজৰিদগীনি হায়ৰি। মহাক জিৰিবামদগী ইম্ফাল তমা থাউ পুৰকপা ওইল টেঙ্কৰশিংগী কনভোইদা য়াওৰকপনি। তুৰেল তোবাৰ্নদা ঙাইহাক পোত্থাৰিৱৈদা ঈশিংদা ইৰাকখিবনি হায়ৰি।

তমেংলোং পুলিস, সি.আৰ.পি.এফ, ৰোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওৰ্গনাইজেসন মনিপুৰগী ভোলুন্টিয়াৰশিংগী অপুনবা কাংবুনা মহাকপু থিবগী থবক চথুৰি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপালিতি এৰিয়াদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্ৰান্স অমা হাংবীনবা দাবী তৌৰদুনা ঙসি ককচিং খুনৌ মৈৰা পায়বীশিংনা ককচিং খুনৌ লমখাইদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

**মেদিকেল ঃ** কোলকাতাগী আৰ.জি. কাৰ মেদিকেল কলেজতা মথৌ তৌৰিবা ডাক্তৰ নুপী অমবু ইকায় খুমবা মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হয়েং অয়ুক পুং তৰুক্তগী হৌৰগা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং তৰুক ফাওবা ডাক্তৰশিং মথৌ তৌৰোইহায়না ইন্দিয়ান মেদিকেল

এসোসিয়েসননা ফোংদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না খোঙজং অসিদা তঙাইফদবা অনা লায়েংগী থবকশিংদি কোনশিল্লোই।

ডাক্তর নুপী হাৎলম্বা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ঙরাং নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমদা মহৈরোইশিংনা চৎখিবা খোঙজংদা শকখঙদবশিংনা মখোয়দা চৎথরকপা থৌওং অমদি কলেজ অদুদা মাং তাকহনবগী থৌদোকশিং থোকহল্লকপা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন্না হয়েং অয়ুক পুং ৬ তগী নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা পুং ২৪ গী ওইনা ডোক্তরশিংনা মথৌ তৌদবা হায়না ৱারেপ লৌখিবনি।

এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়া-মনিপুর চেপ্তরনা ডাক্তর নুপী অমা হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীনবা এসোসিয়েসন অসিনা তকশিল্লি।

হয়েংদগী হৌদুনা লৈবাক অসিগী ডাক্তরশিংনা পুং ২৪ গী ওইনা মথৌ তৌবা লেপ্পগী খোঙজং মনুংদা জেনিমস হোস্পিতালগী তঙাইফদবা অনা লায়েংগী থবকশিং  কেজ়য়েলিতি সার্ভিস মহৌশাগী অদুম্মক চৎথগনি। অথু অকায়গা মরী লৈনবা অনা অয়েকশিং মথৌ তৌরিবা ডাক্তরশিংনা য়েংশিন্নবা জেনিমসকী মেদিকেল সুপিরিন্টেন্দেন্ট-প্রোফেসার- কে.ঐচ. লোকেশ্বরনা খঙহল্লি।

অমরোমদা, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালনসু হয়েংদগী চংশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা শৌগৎকনি হায়রি। অদুম্মকপু তঙাইফদবা অনা-লায়েংগী থবকশিংদি মহৌশাগুম অদুম্মক পাঙথোক্কনি হায়রি।

**হসরো ঃ** ইসরোনা স্মোল সেটেলাইট লোঞ্চ ভেহিকল দি-থ্রি

(এস.এস.এল.ভি-দি-থ্রি-ই.ও.এস-জিরো আইট) ঙসি অয়ুক মায় পাকা কাপখৎখ্রে। অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রীরিকোতাদা লৈবা ছতিস ধাৱন স্পেচ সেন্তরদগী ঙসি অয়ুক পুং ৯ মিনিট ১৭ তা রোকেট অদু মায় পাকা কাপখৎখি।

ইসরোগী চেয়ারমেন অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ স্পেচকী সেক্রেটরি এস. সোমনাথনা হায়-রোকেট অদুনা স্পেচক্রাফট অদু মহাক্কী থমফম থোকপা ওর্বিৎতা থমখ্রে।

**সম্মিৎ ঃ** ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা অহুমসুবা ভোইস ওফ গ্লোবেল সাউথ সম্মিৎ হয়েংদগী হৌরগনি। মীফম অসিগী হিরমনা- এম্পৱারদ গ্লোবেল সাউথ ফোর এ সষ্টেনেবল ফ্যুচর হায়বসিনি। কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- মমাংগী মীফমদা খন্নখিবা ৱাফমশিং মরুওইনা মালেম অসিদা থোক্লিবা মুকবা, ফুড অমসুং ইনর্জি সেক্যুরিতি অমদি ক্লাইমেত চেঞ্জগী ৱাফমশিংদা পাকথোক চাউথোকা খন্নবগী তাঞ্জা ওইগনি। মীফম অসিদা গ্লোবেল সাউথগী লৈবাকশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং খন্নদুনা চাওখৎ লন্বীরোমদা চংশিন্নবা ৱাফমশিংসু খন্নগনি হায়রি। মন্ত্রালয়না হায়- মমাংদা পাঙথোকখিবা মীফমগুম হন্দক্কী মীফম অসিসু ভারচুয়েল ওইনা পাঙথোক্কনি। হৌদোকপগী মীফমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

**কনফরেন্স** ঃ লো এন্দ টেকোলোজি, সষ্টেনেবল ত্রান্সপোর্ট, তুরিজম এন্দ টেকোলোজিকেল ইজকেসন হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদবা ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স কেরলাগী কোতায়ম জিলাদা ঙসি অয়ুক হৌদোকখ্রে। কম্মনৱেলথ লিগেল ইজকেসন এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা ইন্তরনেসনেল কনফরেন্স অসি ভারতকী চীফ জষ্টিস ডাঃ দি.ৱাই. চন্দ্রচর অমদি সিচেলসকী চীফ জষ্টিস রোনি গোবিনদেন অনিনা হৌদোকখি। নুমিৎ হুমি চুপা চথগদবা কনফরেন্স অসিদা সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং, হাই কোর্টকী জজশিং, এটোর্নি

জেনেরেলশিং, লিগেল লুমিনারিশিং, একাদমিসিয়ানশিং অমদি টেকোক্রাটশিং শরুক য়াগনি। মালেসিয়া, সিয়াচেন, নেপাল, ফিজিদগী জজশিং, নেসনেল লো য়ুনিভর্সিতিশিংদগী ভাইস চান্সেল্লরশিংসু শরুক য়াগনি।

**জম্মু ঃ** জম্মু প্রোভিন্সতা মিলিটেন্টশিং থেংননবা জম্মু কাশ্মিরগী পুলিসকী অখন্নবা কাউন্টর টেরর য়ুনিট ৯ হাংদোকখ্রে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-জম্মুদা টেরোরিষ্টশিংনা ইতৎ তত্তনা লা দারকপা কয়া অসি লাকশিন্নবগী পান্দমদা হায়রিবা কাউন্টর টেরর য়ুনিটশিং অসি হাংদোকপনি। অখন্নবা মখলগী খুৎলায় অমদি ত্রেন্নিং নীংথিনা পীরবা য়ুনিটশিং অসিনা জম্মু লমদমদা মিলিটেন্টশিংগী থবক থৌওংশিং লাকশিনবদা মতেং ওইরগনি। হায়রিবা য়ুনিটশিং অসি দি.এস.পি. অমমনা লুচিংগনি। কাউন্টর টেরর য়ুনিটশিং অসি জম্মুগী উধমপুর, কাথুৱা, রেসি, দোদা, কিসৱার, রম্বান, রাজৌরি অমদি পুঞ্চনচিংবা মফমশিংদা মথৌ তৌগনি হায়রি।

**বঙ্গলাদেস ঃ** বঙ্গলাদেসকী অনৌবা মরক্কী সরকারদা চীফ এদভাইজর ওইরিবা প্রোফেসার-মোহমদ য়ুনুজনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা ঙসি টেলিফোন তৌরক্তুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা হিন্দুশিং অমদি মাইনোরিতিশিং অশোয় অঙাম থোক্তনবা ঙাক শেনগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অদু হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নখি। বঙ্গলাদেসতা চাউখৎপা, তংদু লৈতাবা ফিভম অমা পুরকবা হোৎনবদা ভারতনা মতেং পাংগনি হায়না শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। মহাকা বঙ্গলাদেসতা লৈরিবা হিন্দুশিং অমদি মাইনোরিতিশিং ঙাক শেনবীনবা ৱাফমসু ফোংদোকখি।